টোপ মাওইষ্ট লীদর য়াওনা নক্সল ২৬ খূৎ থোক্লবদা শিরে

মুম্বাই, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

সী পি আই (মাওইষ্ট) সেন্ট্রেল কম্মিটিগী টোপ লীদর মিলিন্দ টেল্টুমদে য়াওনা মাওইষ্ট ২৬ থাংজ নুমিৎতা মহারাষ্ট্রগী গদচিরোলি দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মাওইষ্ট লীদর টেল্টুমদে ফানবগী পাউ পীবদা লুপা লাখ ৫০গী কেস রিৱার্দ পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্তা নত্তনা খূৎ থোক্লবা অদুদা পুলিসনা কাপ্পদা শিখি হায়না ক্লেম তৌরিবা অতৈ টোপ মাওইষ্ট অনীদি দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ইতাপালি টহসিলগী মনুং চনবা রেনা দিগুট্টা ভিলেজদগী মহেক এলিয়র শিভাজি রাওজি গোটতা অমসুং ছট্টিসগরগী দান্টেৱাদা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জগরগুন্দা ভিলেজদগী লোকেশ এলিয়স মঙ্গু পোদয়ামনি। গোতা অসি কসান্সুর দালামগা মরী লৈনৈ অমসুং রিৱার্দ লুপা লাখ ১৬ লাউথোকখ্রে অদুগা পোদয়ামনা কম্পনি ৪গী কমান্দরনি অমসুং মহাকপু ফাবা নৎত্রগা ফানবগী পাউ পীবদা লুপা লাখ ২০ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

থাংজ নুমিৎতা পূং ১০ হেন্না খূৎ থোক্লখিবদু গদচিরোলিগী পুৱারীদা চাওবা অমসুং মতম শাংবশিংগী মনুংদা অমনি। সোর্ছশিংনা হায়, ফোরেষ্ট অদুদা মাওইষ্টশিং কেম্প তৌদুনা লৈরে হায়বসি পুলিসনা খঙলকপদগা লোঞ্চ তৌখিবা ওপরেসন অদুদা সী-৬০ কমান্দোশিংগী টিম ১৬না শরুক য়াখি। অপূনবা পর্সনল স্ট্রেংথ ৫০০ হেনখি।

মাওইষ্ট ১৩০ হেন্না পুনবদা য়াওখিবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা কেন্দিদেটনি হায়না থাজনবা দন্দকারনয়া স্পেসল কম্মিটি (দি কে এস জেদ সী) মেম্বর প্রভাকর অতৈ মাওইষ্ট ৭৫গা লোয়ননা নাম্বোক্তুনা চেনখি হায়না থাজনরি। তৌইগুম্বসুং খূৎ থোক্লবা অদুদা মহাক্কী বোদিগার্দতি শিখি। গদচিরোলিগী সুপরিন্টেন্দন্ট ওফ পুলিস অঙ্গিত গোয়লনা ফোঙদোরকপদা, সরেন্দর তৌরবা নক্সলাইটশিংনা অশিবা হকচাংশিংগী মনুংদা অমদি টেল্টুমদেগীনি হায়না শক্তাকখি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা টেল্টুমদে অসি হৌজিক ফাওবদা গদচিরোলিদা খূৎ থোক্লবদা শিখিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা হাই প্রোফাইল মাওইষ্টনি। মহাক য়ুমথংনরিবা নবি মুম্বাইগী টালোজা জেলদা থল্লিবা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমসুং স্কোলার অনন্দ টেল্টুমদেগী ময়াম্বনি।

শিখিবশিংদুগী মনুংদা নুপী মঙা য়াওখি। মখোয়গী মনুংদা মরি নোংমাইজিংগী অয়ূক ফাওবা মশক খঙবা ঙমখিদে।

খূৎ থোক্লবদা শিখিবা নুপাশিংদুগী মনুংদা ৬তি অঙনবা ফাওবা মশক খঙখিদে। কোর্চি দলামদা নত্তনা মাওইষ্ট গ্রুপ অদুদা কম্পনি ৪, কসান্সুর দলাম অমসুং টিপাগা দলামগী মেম্বরশিংসু য়াওই। গ্রুপ অদু কয়াম চাওরমগদগে হায়না হংবদা গোয়লনা মদু চপ চানা খঙদ্রবনা মতম শাংনা মীটিং পাঙথোক্লিবদুনা খরা হেন্না চাওরে হায়বা তাকই হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা মশক খঙদ্রিবা মাওইষ্টশিং অদু ছট্টিসগর অমসুং মফমদুগা তায়নবা মধ্য প্রদেশকী মফম খরগী ওইরমগনি হায়না থাজরি। মখোয় সরেন্দর তৌরবা লোকল নক্সলাইটশিংনা শকখঙবা ঙমখিদে।

এক্সপর্ট পেনেলগী সজেসন মতুং ইন্না নিটি আয়োগকী থৌদাংশিং রিষ্ট্রক্চর তৌরবা য়াই

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্টনা হৌজিক মসিগী থিঙ্ক টেঙ্ক ওইরিবা নিটি অয়োগ রিভিয়ু তৌদুনা এজেন্সী অসি লিংখৎখিবগী পান্দম ফংলবরা হায়বদু লেপথোক্লবা হোৎনরি।

এজেন্সী অসি প্লান্নিং কম্মিসনগী মহুৎ শিন্নবা চহী তরুক্কী মমাঙদা শেমখিবনি। সোর্ছশিংনা ফোঙদোরকপদা, বোদি অসি হান্না থমখিবা পান্দমশিং ফংবা ঙমদ্রে হায়না খন্নবা লৈরে হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিস (পি এম ও)গী দিরেক্সনদা রিভিয়ু অমা পাঙথোক্লিবনি। পি এম ওগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিগী পোলিসি মেট্টরশিংদা এজেন্সী অসিবু হেন্না মরু ওইবা থৌদাং লৌহন্নবা মসিগী রোল অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটিশিং রিষ্ট্রক্টচর তৌবা মথৌ তাবা য়াই।

সোর্ছশিংনা মখা তানা হায়, নিটি অয়োগকী ফঙ্কসনিং রিভিয়ু তৌবগী থবক অসি নিটি ইভোল্যুসনরি কম্মিটি কৌবা এক্সটর্নেল এক্সপর্টশিংগী টিম অমনা পায়খৎপা হৌখ্রবনি। কম্মিটি অসি ক্বালিটি কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন অদিল জাইননুলভাইনা লুচিংই অমসুং বাইন কেপিটেলগী এমদি অমিত চন্দ্র, অভানা কেপিটেলগী ফাউন্দর অঞ্জলি বান্সাল, হান্নগী টেলিকোম সেক্রেটরি অরুনা সুন্দারাজন, গ্লোবেল এলাইএন্স ফোর মাস ওন্ত্রপ্রনর্সিপ রবি ভেনকাতেসান অমসুং ইনভাইরনমেন্ট সেক্রেটরিনা মসিগী মেম্বরশিংনি।

পেনেল অসিনা রিপোর্ট শেমশাবা লোইরে অমসুং মদু মখা তানা এক্সনগীদমক পি এস ওদা সবমিট তৌরগনি। সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, পেনেল অসিনা পীরিবা রিকমেন্দেসনশিংগী মনুংদা অহেনবা থবক থৌরমশিং হাপচিল্লকপা মতমদা এজেন্সী অসিবু অকক্নবা থবক খরা পায়হন্দবা য়াওরি। পেনেল অসিনা আয়োগপু তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ষ্টেটশিংগা ইনগেজ তৌবদা হেন্না থৱায় য়াওহনবা পাম্মী।

নিটি আয়োগতা এক্সটর্নেল এক্সপর্টশিংনা এক্টিভ ওইনা ইনগেজ তৌনবা অমসুং তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিংদা খুদোংচাহনগদবা নোলেজ পুল অমা শেম্নবসু সজেসন পীরি।

সোর্ছশিংনা মখা তানা হায়, পেনেল অসিনা নিটি অয়োগকীদমক সজেসন কয়া পীরবসু মসিগী রোল অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটিশিং রিষ্ট্রক্টচর তৌবগী মতাংদা পি এম ওনা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি।

মিলিটরি কোওপরেসন হেনগৎহন্নবা ইন্দিয়ন আর্মি চীফ ইজরেলদা চৎলগনি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া অমসুং ইজরেলগী মরক্তা মিলিটরি কোওপরেসন হেনগৎহন্নবা পান্দমদা ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল এম এম নরাবানে নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ ওইনা ইজরেলদা চৎলগনি।

নিংথৌকাবদগীনা ইরাই ফাওবা হায়বদি নুমিৎ মঙানিগী ওইবা খোঙচৎ অদুদা জেনরেল নরাবানেনা ইজরেলগী সিনিয়র মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ন লীদরশিংগা উনগনি। মহাক্না ইন্দো-ইজরেল দিফেন্স মরী মখা তানা ফগৎননবগী হীরমশিং ইজরেলি লুচিংবশিংগা খন্নগনি হায়না ইন্দিয়ন আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

ষ্টেট অদুনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়ন আর্মিচিফ অসিনা সিক্যুরিটি ইষ্টাব্লিশমেন্টকী সিনিয়র ওফিসলশিংগা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা অমসুং তোঙান তোঙানবা দিফেন্সকা মরী লৈনবা ইস্যুশিং অরৈবা মোতশিং ফোঙদোক্লদুনা হান্নদগী ফরক্লবা লৈবাক্ অনীগী বাইলেটেরেল দিফেন্স কোর্পোরেসন মখা তানা ফগৎহল্লগনি।

মহাক্না সর্ভিস চীফশিংগা ইন্টরেক্ট তৌবগা লোয়ননা ইজরেলি দিফেন্স ফোর্সেস (আই দি এফ) কী গ্রাওন্দ ফোর্সেস ইলিমেন্টকী হেদক্বার্টরসতসু চৎকনি। হৌখিবা থা অনী অসিদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্কর অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি অজয়কুমারনা লৈবাক অনীগী দিফেন্স কোর্পোরেসন হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা ইজরেলদা তোঙান তোঙানবা খোঙচৎশিং চৎখি।

দিফেন্স সেক্রেটরিগী খোঙচৎ অদুদা লৈবাক অনীনা দিফেন্স কোওপরেসনগী অনৌবা এরিয়াশিং খঙদোক্লবা চহীগী ওইবা মপূং ফাবা রোদ মেপ অমা পুথোক্লবা টাস্ক ফোর্স অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌখি।

মহৈরোয় ৩৭৬না নমথাক তৌদুনা স্কোলারশিপ লৌরম্লে

পটনা, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

বিহারগী নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টনা চহী ১৬ পাল্লকপদা স্কাম কয়াগা মরী লৈননা ক্রিটিসিজমশিং মায়োক্নদুনা লাক্লবসু গভর্ণমেন্ট অসিনা ইনৌ নৌনা মায়োক্লরক্লিবা স্কাম অমদি দরবঙ্গ দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট মাইনোরিটি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা থেংনরকখিবা স্কামনি।

ষ্টেট মাইনোরিটি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈরোয় ৩৭৬না নমথাক তৌদুনা স্কোলারশিপশিং লৌথোক্লমখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লেহরিয়াসরাই পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌবা কমপ্লেন্ট অমগী মতুং ইন্না মাইনোরিটি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর মোহম্মদ রিজৱান অহমদনা হায়রি মদুদি, মহৈরোয় ৩৭৬না শেমজিন শাজিনবা এদমিসন পেপরশিং শীজিন্নদুনা লুপা লিশিং ৩০/৩০গী স্কোলারশিপ লৌথোক্লম্লে।

দরবঙ্গ দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ডা. টিয়াংগরাজন এস এমনসু স্কাম অসি কনফর্ম তৌখ্রে। এদমিসন ফোর্মশিং অমসুং অতৈ দোক্যুমেন্টশিং ভেরিফিকেসন তৌবা মতমদা মহৈরোয় ৩৬৬না স্কোলারশিপ লৌরম্বা থেংনখি। মহৈরোয় খুদিংমক অসি য়ুনিভর্সিটি অমা হায়বদি হায়দরবাদতা লৈবা ব্রিলিয়ন্ট গ্রামার স্কুল এদ্যুকেসন সোসাইটিগী মখাদা লৈবা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন অহুমদা এদমিসন তৌরমখি।

মহৈরোয় খুদিংমক অসিনা এদ্যুকেসন য়ুনিভর্সিটি অমদা এদমিসন তৌদুনা স্কোলারশিপ ক্লেম তৌরিবসি মীপাইনিংঙাইনি হায়না রিজৱান অহমদনা ফোঙদোকখি।

এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন অদু ক্রোস চেক তৌবা মতমদা মহৈরোয়শিং অদুনা স্কোলারশিপ গ্রান্ট অদু ক্লেম তৌনবগীদমক য়ুনিভর্সিটি অদুগী মিং শীজিন্নরমখি। মদুদগী ঐখোয়না স্কোলারশিপ লৌরম্লিবা মহৈরোয়শিং অদু কন্টেক্ট তৌখি।

সী বি এস ঈনা অনৌবা পেটর্নদা বোর্দ এগজামিনেসন কন্দক্ট তৌরগনি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)না অনৌবা পেটর্ন অমদা বোর্দ এগজামিনেসনশিং কন্দক্ট তৌরগনি। অনৌবা পেটর্নদা পাঙথোক্কদৌরিবা বোর্দ এগজামশিং অদুদা মহৈরোয় লাখ ২০ হেনবনা শরুক য়াগনি।

ক্লাস টুয়েল্বকী অহানবা টর্মগী এগজামিনেসন নভেম্বর ১২দগী হৌগনি অমসুং ক্লাস টেনগীনা নভেম্বর ১৭তগী হৌরগনি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং এসেস তৌনবগীদমক এগজামিনেসন অদু টর্ম অনী থোক্লবা পাঙথোক্কনি। এগজামিনেসন অদু অনীশুবা টর্ম অদুগী মথং চহীগী মার্চ-এপ্রিলদা পাঙথোক্লবা য়াই।

সী বি এস ঈগী মতুং ইন্না হন্দক্তি মহৈরোয়শিংদা মিনিট ১৫গী মহুত্তা পানবগী মতম মিনিট ২০ পীরগনি। অহানবা টর্ম অদুদা মল্টিপল চোইস ক্বেসনশিং য়াওগনি অমসুং ক্বেসনশিং অদুবু সোল্ভ তৌবগী মতম্না মিনিট ৯০ ওইগনি। ক্বেসন খূদিংমক্তা ওপসন মরি লৈগনি। ওপসনশিং অদুগী মনুংদা মহৈরোয় অদুনা অচুম্বা অমা খল্লগা কোইশিনগদবনি।

অন্সর শীট খূদিংমক স্কেন তৌগদবা ওইবনা ক্বেসন অমত্তা অন্সর পীদনা হুন্দোক্লম্বা য়ারোই। করিগুম্বা মহৈরোয়শিংনা অন্সর পীবা পামদ্রবসু মখোয়না ওপসন অমা কোইশিল্লগা থমগদবনি।

শক্লাইরবা এদ্যুকেসনিষ্ট পি এস কান্দপালনা ফোঙদোরকপদা এগজামিনেসন কয়া মান্নবা পেটর্নদা কন্দক্ট তৌখ্রে।

ক্লাস টেনগী মহৈরোয় দিপতি শর্মনা ফোঙদোরকপদা, টর্ম অনী থোক্লা এগজামিনেসন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মহৈরোয় ঐখোয়দা নুংঙাইবা পোকই। সিল্লেবস অদু খায়দোকপনা মহৈরোয়শিংদা ষ্ট্রেস হন্থহনগনি। অনৌবা এগজামিনেসন পেটর্ন অদুবু খঙবসু মহৈরোয় পূম্নমক্লা পাম্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা মহৈরোয় দিক্সিটনা হায়, এগজাম পেটর্ন অদুগী অকূপ্পা পূম্নমক হায়দোক্লবনিনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচারগনি।

অলফা (আই)না ট্রুস থা ৩ শাংদোকখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

পরেস বরুৱানা লুচিংবা অলফা (আই)না য়ুনিলেটেরেল সীজফায়র থা অহুম মখা তানা শাংদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা অলফা (আই)গী চীফ পরেস বরুৱানা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকপদা আওটফিট অসিনা মখা তানা থা ৩ অমগসু সীজফায়র শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরে। মতম অসিগী মনুংদা ওর্গনাইজেসন অসিনা মখল খূদিংগী মিলিটরি ওপরেসনশিং লেপকনি।

পনবা য়াবদি, অসামগী কোভিদ-১৯গী ফিভম য়েংলগা অলফা (আই)না হৌখিবা মে ১৫দা য়ুনিলেটেরেল সীজফায়র লাউথোকখিবনি। মদুগী মতুংদা আওটফিট অসিনা চপ মান্নবা মরমদা মখা তানা থা অহুম অমগসু সীজফায়র শাংদোকখি। গভর্ণমেন্ট অমসুং অলফা (আই)গী মরক্তা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী ৱারী শানবা য়াবগী ইঙ্গিৎশিং ফংবনা খোঙথাং অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরিবনি।

শামু ময়াগা কোন্ননা মীওই অমা ফারে

ভুবনেশ্বর, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

ওরিষ্যগী বরগড় দিষ্ট্রিক্টতা লোনা য়াদবা মওংদা ৱাইল্ডলাইফ বোদিগী শরুকশিং লল্লোনবগী থবক্তা চেন্নবগী মরালদা ষ্টেট পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা মীওই অমা শামু ময়াগা কোন্ননা ফারে হায়না ওফিসর অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

কেন্দুভট্টাগী মনাক্তা ৱাইল্ডলাইফ ক্রিমিনেলশিংনা লোনা য়াদবা মওংদা শামু ময়া পুদুনা চৎলি হায়বা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী এস দি এফ টিমনা ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসলশিংগী মতেংগা মফম অদুদা থাংজ নুমিত্তা রেইদ চথুখিবনি। রেইদ অদুদা মীওই অমা শামু ময়া অমা অমদি অতৈ পোৎশকশিংগা লোয়ননা ফাখি।

একুজ অদুনা পোৎশকশিং অদু পায়বগী ভেলিদ ওথোরিটি অমত্তা উৎপা ঙমদবদগী পুলিসনা মহাকপু ফাখি অমসুং মখা তাবা এক্সন লৌখৎনবগীদমক বরগড় ফোরেষ্টকী ওফিসলশিংদা শিন্নখি।

নুপী অমনা মচানুপা ২ হাৎলগা মথন্তা শিজনবা হোৎনরম্লে

থিরুভানন্থপুরম, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

চিলদ্রেন ডে নুমিৎতা দিভিয়া কৌবী মমা অমনা চহী ৪ অমদি চহী ১গী মচানুপা অনী হাৎলবা মতুংদা মশাগী শীংলি লেম্থৎতুনা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনরম্লে।

থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্তা কেরলাগী পালাকদ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। মমানা হাৎখ্রবা অঙাংশিং অদুদি অনিরুধ (৪) অমসুং অভিনাব (১) নি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, পালাকদ দিষ্ট্রিক্টকী মঞ্জাকন্দাথতা লৈবা মশামক্কী মচানুপা অনী হাৎখিবী দিভিয়া হৌজিক প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা অরুবা ফিভমদা এদমিট তৌদুনা লৈরি। স্লিপিং পিলশিং চারবা মতুংদা নুপী অসিনা মহাক্কী শীংলিশিং থাঙনা লেন্দুনা ককথৎখিবনি।

দিভিয়াগী মপুরোয়বা রাজেস মবোক অমিনিয়ামাসু মশাগী শীংলি লেন্থৎচদুনা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনজখি। মহাকসু হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। পুলিসকী মতুং ইন্না মহাক্তি নুংশা থীনিংঙাই ওইদ্রে।

দিভিয়ানা লৌখৎলক্লিবা শাথিরবা খোঙথাং অদুগী মরু ওইবা মরমদি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স ওইরম্বা য়াই হায়রি।

শোরামুর পুলিস ষ্টেসনগী সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা য়ুমদা খৎন-চৈনবা অমা থোকপদগী মমা অদু মহৌশাগী ওইবা ৱাখল মাঙখিদুনা অঙাংশিং অদু হাৎখিবগী মওং মাল্লি হায়রি।

পুলিসনা শাথিরবা থৌদোক অসিগী মতাংদা য়েংশিনবা য়াবা এঙ্গল খূদিংমক য়েংশিল্লি হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসর অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লখিম্পুর খেরি ভাইওলেন্সকী ৱিটনেস নিপালনা সিক্যুরিটি লৌথোকপা পাল্লি

লখিম্পুর খেরি, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

থাজনিংঙাই ওইদবা খোঙথাং অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম অজয় মিশ্রা টেনিগী মচানুপা অশিশ মিশ্রা চেন্নরিবা লখিম্পুর খেরি কেসকী মরু ওইবা ৱিটনেস ৯০গী মনুংদা ৱিটনেস ৮ মখোয়দা পীরিবা পুলিস সিক্যুরিটি লৌথোকখিবা পাল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱিটনেসশিং অসিনা লোকল এদমিনিষ্ট্রেসনদা ইদুনা হায়জখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৩দা লখিম্পুর খেরিগী তিকুনিয়া এরিয়াদা লৌমী ৪ য়াওনা পুন্না মীওই ৮ শিখিবনি।

হৌখিবা থাদা সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখিবা মরু ওইবা ৱিটনেস ৯০ মক্তা পুলিসনা সিক্যুরিটি পীখিবনি। থৌদোক অদুবু থীজিল্লিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন কম্মিটিগী মেম্বর ৯গী মনুংদা অমা ওইরিবা এদিসনল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এ এস পি) অরুনকুমার সিংহনা হায়, মরু ওইবা ৱিটনেস ৮না লন্নাই মরমশিং পন্দুনা মখোয়দা পীরিবা সিক্যুরিটি লৌথোকপীয়ু হায়না এপ্লিকেসনশিং পীশিল্লক্লে।

অদুম ওইনমক, সিক্যুরিটি লৌথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং অদু রিভিয়ু তৌখিগনি। সিক্যুরিটি লৌথোকখিবা পাল্লিবা ৱিটনেসশিং অদুগী মশক মমিংদি লোকল পুলিসনা ফোঙদোকউ য়াখিদে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৩দা লখিম্পুর খেরিগী তিকুনিয়া পুলিস সর্কলনা কোনবা বানবিরপুর ভিলেজগা নক্না প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংদা এস য়ু ভি অমা থৌজিল্লকখিবদা লৌমী ৪ শিবদগী ঈরাং থোক্লকখিবনি। বি জে পিগী ৱর্কর ২ শুভম মিশ্রা অমসুং শ্যাম সুন্দর, জর্নেলিষ্ট রমন কশ্যাপ অমদি দ্রাইভর হরি ওম মিশ্রা য়াওনা অতোপ্পা মীওই ৪সু শিখি।

লৌমী ৪ গাড়ীনা তক্তুনা হাৎখিবগা মরী লৈনবা এফ আই আর অমা অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪ হাৎখিবগা মরী লৈনবা অনীশুবা এফ আই আর অমা পুন্না এফ আই আর অনী তিকুনিয়া পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

কেস অদুবু থীজিল্লিবা ইনভেষ্টিগেসন কম্মিসননা অহানবা কেসকা মরী লৈননা মরু ওইবা একুজ ওইরিবা অশিশ য়াওনা মীওই ১৩ ফাখি অমসুং অনীশুবা কেস অদুগা মরী লৈননা একুজ ২ ফাখি।

পি এমদা করটারপুর কোরিদোর অমুক হন্না হাংনবা তকশিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

বি জে পিগী দেলিগেসন অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা গুরু নানক (জয়েন্তি)গা মরী লৈননা নভেম্বর ১৯দা করটারপুর কোরিদোর অমুক হন্না হাংবীনবা হায়জখ্রে।

বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট সাওদন সিংহনা দেলিগেসন অদু লুচিংখি। দেলিগেসন অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা করটারপুর কোরিদোর অমুক হন্না হাংদোকপীনবা হায়জখি। কোরিদোর অদু কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা অথিংবশিংনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহীগী মার্চতগী থিংজিন্দুনা লাকখিবনি।

মেমোরেন্দম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরবু কোরিদোর অদু শাবীনবা হোৎনখিবা কয়াগীদমক থাগৎখি অমসুং মদু অতৈ পার্টিশিংনা থৌশাদদুনা লাক্লবনি হায়খি। লৈবাক অসিগী ইলিজিবল মীওই ক্রোর ১১০ ভেক্সিন কাপ্পবা মতুং অনলোক প্রোসেসকা লোয়ননা লৈবাক অসিনা শেল-থুম অমদি অতৈ লম্ কয়াদা চাওখৎপগী লম্বীদা চঙশিল্লকপগা ইরোয়ননা মীয়াম্না কোরিদোর অদুবু অমুক হন্না হাংদোকপীবা পাল্লি হায়না মেমোরেন্দম অদুদা পনখি।

সাওদন সিংহনা হায়খিবদা, মমাঙদা তৌখিবগুম্না প্রাইম মিনিষ্টরনা শিখ কম্ম্যুনিটিগী দিমান্দ অসিবু শোয়দনা থুংহনগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয় পূম্নমক্তা লৈ।

ত্রিপুরা পুলিসনা জর্নেলিষ্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎখিবা এক্সন কন্দেম তৌখ্রে

অগরটালা, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

জর্নেলিষ্টশিংগী মায়োক্তা পুলিসনা কা-হেনবা এক্সন লৌখৎখিবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী দিজিটেল মীদিয়া আওটলেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীদিয়া ওর্গনাইজেসন দিজিপব ন্যুজ ইন্দিয়া ফাওন্দেসননা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টপু কন্দেম তৌখ্রে।

জর্নেলিষ্টশিংগী বোদি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ঐচ দব্লিয়ু ন্যুজ নেটৱর্ককী জর্নেলিষ্টশিংগী মায়োক্তা লেপ্পুনা কিহনবগী থৌওং চথুরিবসি দিজিপব ন্যুজ ফাওন্দেসননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। বিস্ব হিন্দু পরিষদ (বি ঐচ পি)না তৌবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ূম্ফম ওইরগা ত্রিপুরা পুলিসনা জর্নেলিষ্টশিং সমরিধি সকুনিয়া অমসুং স্বার্না ঝাগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবনি।

ষ্টেট অসিদা হন্দক্তা থোকখিবা মুসলিমশিংদা এটেক তৌখিবগী থৌদোকশিংগী মতুংদা ফোঙখিবা রিপোর্টশিংগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ, ১৮৬০গী সেক্সন ১২০বি, ১৫৩এ, অমসুং ৫০৪গী মখাদা কেস রেজিষ্টর তৌখিবনি।

SFI
KYS
Down With SH
Violence On Na
We Shall N
Silenced -Wi

সকুনিয়ানা হায়, নভেম্বর ১৩গী নুমিদাং পূং ১০.৩০ রোম তাবদা মখোয়গী হোটেলদা পুলিস লাকখি অমসুং মথং অয়ূক্কী পূং ৫.৩০ রোম তাবদা এফ আই আর কোপি পীরকখি। পুলিসতা মখোয়না কোওপরেসন পীরবসু মখোয়বু নভেম্বর ১৪গী অয়ূক পূং ৯ তাবা ফাওবদি চথোকচৎশিন য়াহনখিদে।

নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী ধর্মা নগরদা লৈবা মখোয়গী হোটেলদুগী মপান্দা পুলিস পর্সনল ১৬-১৭লোম দিপ্লোয় তৌখি। জর্নেলিষ্টশিং অদু নভেম্বর ১৪গী অথেংবদা থাদোকখি অমসুং মখোয়দা নভেম্বর ২১দা ফাতিকরোই পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা খঙহল্লকখি।

ত্রিপুরা পুলিসনা জর্নেলিষ্ট অনীদা হরামসেমেন্ট পীরিবা অদুবু দিজিপবনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। পুলিসনা হোটেলদা চঙশিল্লিবা অদুনা জর্নেলিষ্টশিং অদুগী প্রাইভেসিদা অকায়বা পী। পুলিস কাঙবু অদুনা মখোয়গী অধার নম্বরশিং দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগী মিংদা ট্রান্সপোর্টকী অকূপ্পশিং থমখি।

থৌওং অসি প্রেসকী ফ্রিদম ভাইওলেট তৌবদা নত্তনা প্রাইভেসিগা মরী লৈনবা ফন্দামেন্টেল রাইট খোঙ্গাওনবা অমনি। লৈবাক অসিদা মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক্তা জর্নেলিষ্টশিংদা অসুম্না কিহনবসি মসিনা অহানবা নত্তে। জর্নেলিষ্ট কয়া ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন, ফাবা-পূনবা অমসুং জেল টর্মশিং মায়োক্লরি হায়না ফাওন্দসন অসিনা মখা তারি।

জিকা ভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা কন্টেনমেন্ট জোনশিং শেম্লগনি

লক্ষ্ণৌ, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

লক্ষ্ণৌদা জিকা ভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগীদমক ওথোরিটিশিংনা পেসেন্টশিংগী য়ুমশিংগী অকোয়বদা কন্টেনমেন্ট জোনশিং শেম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিকা ভাইরসকী পেসেন্টশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা থমগনি অমসুং পেসেন্ট অদুনা লৈরিবা য়ূমগী অকোয়বা মিটর ৪০০না কোনবা মফমশিংদা কন্টেনমেন্ট জোন শেমগনি।

চৈরকসিদা লক্ষ্ণৌ দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অভিসেক প্রকাসনা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা ওফিসলশিংদা মোনিটরিং কম্মিটিশিং এক্টিভেট তৌনবা খঙহনখ্রে। সর্ভিলেন্সকীদমক সুপর সর্ভিলেন্স টিম ৫৫০ শেম্লে।

কম্ম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী) খূদিংমক্তা টিম ২৫ লৈগনি অমসুং মখোয়না য়ূমথোঙ খূদিংগী সর্ভে তৌদুনা পেসেন্টশিং মোনিটর তৌগনি। জিকা ভাইরসনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিং অমসুং মপান লৈবাক্তগী লাকপা পেসেঞ্জরশিংগী লিষ্ট অমা শেম্ননবা এয়রপোর্টশিং, রেলৱে ষ্টেসনশিং অমসুং বস ষ্টোপশিংদা লৈহন্নবা ইনচার্জশিংসু খনখ্রে হায়রি।

ꯑꯩꯅ ꯏꯕꯨꯡ ꯁꯨꯙꯥꯀꯔꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

EINA EBUNG SUDHAKARBU THAGATCHARI



SUDHAKAR (SHAMU)

Eigi oi thangba Kidney da nung 4.8 mm ama leibadagi ko Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. Imphal manakta leibiba Baba Laishram Nabakishore Padma Shri Awardee (Medicine) gi machanupa Ebung Laishram Sudhakar (Shamu) Herbal Physician (Specialised in Urinary Stone) gi manakta chatuna hapta nipal layengbibadagi ultra sound amuk hanna louduna yengbibani aduda nungdu leiba ubidre mashigidamak mabuko eina thagatpa phongpibane.

Sd/- **Khangamliu Pamei**
Tamenglong, Happy Village

HL-P/0631/15,16,17

OFFICE OF THE
MANIPUR FOOD & MEDICINAL PLANTS PROCESSING AND COLD STORAGE CO-OPERATIVE SOCIETY LTD.,
LAMPHELPAT KOMBIREI ROAD

[illegible] / NOTIFICATION

21st October, 2021

No.1/MFMP/NT/21 : In pursuance of the resolution No. 4 the Board of Director's meeting of the Manipur Food and Medicinal Plants Processing and Cold Storage Co-operative Society Ltd., held on 2/9/2021 and R.C.S. Manipur, approval convey vide letter No. P-Coop/68-89 Pt-(V) dated 27/09/2021. It is hereby notified for General information that applications are invited from Cooperative society and individual members which is a grower of fruits and vegetable, food and Medicinal Plants and interested in the manufacture of processing of food, fruits & medicinal plants for new admission to "A" Class and "C" Class member of the society.

The "A" Class member will be representing from Co-operative society and the "C" Class member will be presenting from individual member.

2. The intending Co-operative society and individual members for new admission to "A" Class and "C" Class member must have the following requirement.

i) The members must have attained 18 years of age on 1st January 2021.
ii) The value of one share of "A" and "C" Class is Rs. 2000/- as per bye-laws clause No. 3 (i) (a) & (c).
iii) The intending Cooperative society or individual member should subscribe atleast 5 (five) shares is Compulsory.
vi) The value of share be payable in full at the time of admission along with admission fee.
vii) Duration of new admission should be admissible within 6 (six) month from the date of issue the notice.

No further invitation shall be entertained after the given timeline mentioned above.

Sd/- **G. Rajenkumar Rongmei**
Managing Director

HL-P/0630/15,16